# মফম কয়াদা শিন্নীশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

এস এন এস
ইম্ফাল, মে ৩ ঃ তোঙান তোঙানবা এসোসিয়েসন অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা শীন্দুনা মফম কয়াদা মে দে–শিন্নীশিংগী নুমিৎ থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী কনফরেন্স হোলদা মে দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এল ধননা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখবা থৌরম অদুদা ভাইস প্রসিদেন্ট অঙাংচাওবা নিংথৌজা, জেনরেল সেক্রেটরী দল্লিয়ু ইনাও, সেক্রেটরী কোওর্দিনেসন নোংলৈমা ঐচ, মেম্বর কে থোইবা, এনআইএলএসএএল ইম্ফাল ইষ্টকী জেনরেল সেক্রেটরী কেঐচ শরতচন্দ্রনা থৌরমগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া হৌদোকখি।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কেএসএ), ডাক্তর হেলেনা আই ক্যের সেন্টর অমদি ওইনাম শওম্বুংদা লৈবা দিসএবল দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগা খূৎশম্নদুনা মে দেগা মরী লৈননা লেম্না মীৎ লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা অকোয়বদা লৈবা মীওই পুন্না ২০০ রোম খুদোংচাবা ফংখি হায়না কেএসএগী সেক্রেটরী জেনরেল এস বিদ্যনন্দনা ফোঙদোরক্লি।

প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্বেসন কম্মিটি, মণিপুর (পিপিসিএম)না শীন্দুনা ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা শিন্নীশিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পিপিসিএমগী কনভেনর ডাক্তর ৱাই মনি খুমন, এময়ুগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসার ডা. চিংলেন মৈস্নাম অমদি খোল্লাউ পাউচেগী এদিটর ওইরম্বা লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

নেসনেল হায়ৱে প্রোটেক্সন কম্মিটিগী কনভেনর কেঐচ লুৱাংচা চিংখৈনা মীয়াম্বু তরাম্না ওকপগা লোয়নননা য়ুমখাইবম কুঞ্জরানিনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

ডাক্তর ৱাই মনিনা হায়, মে দে পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাহঙ্গোক অসিনা মী ওইনা পোক্লগা মীওইবগী হক য়াওদ্রবা মী অদুদি হিংলুবগী কান্নদে। ঙসিদগী চহী ১৩০ গী মমাঙদা থোকখবা থৌদোক অদুনা তাক্লিবদি রাইট ওফ লির্বটি, রাইট ওফ টুগেদরনেস, ইক্বেলিটিনি। অপূনবা শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনবদা খেন্নবা লন্নাইগী ৱাখল্লোনশিং অসি থাদোক্লরগা অপূনবগী ফিরেপ লৌবদা পেন্থোক্লরবদি হেন্না চাওখৎপা অমসুং শেমগৎ শাগৎপগী খোঙজেল য়াংনা চেনখৎপা ঙমগনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ইমা মৈরা পায়বীশিং অমদি লূপ কয়াগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

লোয়ালম কন্সট্রক্সন ৱার্কর ৱেলফিয়ার য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা কাংমোং মাংলক কম্যুনিটি হোলদা মালেমগী শিন্নীশিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা শিন্নী হায়বা নুংগী ওইবা ৱাফমদা ক্লাস থ্রিদগী সিক্স ফাওবগী মহৈরোয় ২০৫, ক্লাস সবেন্দগী টেন ফাওবগী মহৈরোয় ৯০ পুন্না মহৈরোয় ২৯৫ না শরুক য়াদুনা লাই য়েকপা চাংদম্নখি। মদুদা ক্লাস সবেন্দগী টেন ফাওবগী কাঙলূপতা জেএনভি ইম্ফাল ইষ্টকী ওসিয়া কোন্সম, মারিয়া মোন্টেশ্বরি সেকেন্দরি স্কুল কোইরেঙ্গেগী ওইনাম কেথরিন অমসুং মেগা মণিপুর স্কুলগী গ্রেসি থিংবাইজমনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। অদুগা ক্লাস থ্রিদগী সিক্স ফাওবগী কাঙলূপতা ফ্রি প্রোগ্রেস একাদমি কোন্থৌজমগী মুতুম সুবেষ্টা দেবী, রিগুল্লর ইংলিস স্কুল, ইম্ফালগী এম থোইথোইবা সিংহ অমসুং নোংপোক মহৈকোলগী ওনিয়া কোন্সমনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ ইম্ফাল ইষ্ট সলাম ইমোচা সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্বিস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরী আরকে মেম্মনা অখন্নবা মীথুং, ইমপ্লোয়িজ কনফিদরেসনগী প্রসিদেন্ট এম জয়কুমারনা ইকায় খুম্নবা মীথুং অমসুং য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এম কেশো চন্দ্রনা থৌরম মপু ওইখি হায়রি।

# অখামদা নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা খন্ন–নৈনখ্রে

এস এন এস
ইম্ফাল, মে ৩ ঃ কোলিয়েসন অগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) অমদি অখাম মৈরা পায়বী নুপী লূপনা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমশাং এরিয়াগী অখামদা নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখি।

খন্ন–নৈনবা অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, সেনিয়ার সিটিজেন ক্ষেত্রিময়ুম কুঞ্জবিহারি, লাইঙম খুল, অখাম অমসুং ঙাইরাংবম খুলগী এপেক্স বোদি ওইরিবা লংগী প্রসিদেন্ট সিনাম শ্যামকিশ্বর, অখাম মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট উশম ওংবী নোলিনি অমদি লংগী মেম্বর ঙারিয়ানবম সুধিরনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

অদুগা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল দিপঞ্জিৎ নিংথৌজম অমসুং সেক্রেটরী ফাইনান্স গিটচন্দ্র মঙাংনা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি।

খন্নবা অদুদা মৈরা পায়বীগী মেম্বর এন রাধানা হায়, মৈরা পায়বীশিংগী খোঙজং অসিনা লৈকায় অসিদা য়ু ফোঙনা য়োনবা অমসুং ক্রাইম কয়া চথবদগী খরমখৈদি কনবা ঙম্লে। অদুবু মৈরা পায়বী খক্তনা খোঙজং অসি চঙশিন্দবা অৱাবদি ওইরি। ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পাঙবীরবতদা লৈকায় অসি ইংবা ঙমগনি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা ঙাইরাংবম সুধিরনা হায়, লৈকায় অমদা নিশা শীজিন্নদবা মীওই থীবদা অৱাবা ওইরে। মৈরা পায়বীশিংনা নিশা থীংবগী খোঙজং অসিদা তত্তনা অপনবা পীবা অমসুং মতেং পাঙদবনা খোঙজং অসি মায় পাকপা ঙমদে। মৈরা পায়বীশিংনা নিশা থীংবগী মরমদা নীংথিনা খঙদবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

উশম ওংবী নোলিনিনা হায়, চহী ১৫ মুক অসিদা নিশা থীংবগী অকনবা খোঙজং চঙশিনবনা লৈকায় অসি ফন্না য়াম্না ইংনা লৈরে। হন্দক মৈরা পায়বীশিং তুমিন্না লৈবদগী অমুক নিশা শীজিন্নবনা ৱাই চাইরে। লোয়ননা তত্তনা য়ৈখাই থিনগাইবদগী পীবিরে। নুপী ফাওবনা চথরিবা খোঙজং অসি ওইরোই হায়না কাউথোকপা য়াওরক্লে। অদুনা লিংজেল মান্ননা পূন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নরসি।

কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট প্রিয়োকুমারনা হায়, নিশা থীংবা অসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে। অদুনা মৈরা পায়বীশিংনা য়াম্না হে শিংবা তাই। ঙসি ঐখোয়না ৱারিবা অসি সরকারনা হিরম অসিদা তৌফম থোকপা মথৌ তৌরক্তবদগীনি। বিহারনচিংবা ষ্টেটশিংদদি চীফ মিনিষ্টরদগী হৌরগা নিশা থাদোক্লবা ৱাশক লৌরি অদুবু ঐখোয়গীদি নিশা থিংবগী ৱাফম অমত্তদা লৈতে। মসিনা খুন্নাই অসি শোইদনা মুৎখবা য়াবগী অকিবা লৈরে।

খন্ন–নৈনবা অদুদা লমদম অদুগী অকোয়বদা লৈবা মীওই চা কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

## GAS TODAY

**R&H INDANE GAS**
Booking upto..........15/04/16
Valid from...............11/04/16
Stk. ...............................306
Timing..............8 to 10 a.m.
First come first serve

**K&K INDANE SERVICE**
Booking upto date
Stk. ...............................612
Timing..........7.30 to 11 a.m.
First come first serve

**MANIPUR GAS**
Booking upto..........06/04/16
Valid from...............04/04/16
Stk. ..................306 (DBTL)
Timing.......7.30 to 9.30 a.m.

**MM GAS**
Booking upto..........12/04/16
Valid from...............05/04/16
Stk. ..................306 (DBTL)
Timing...............7 to 10 a.m.

**CANCHI INDANE SERVICE**
Delivery only for Naorem Leikai
Booking upto..........19/03/16
Valid from...............06/03/16
Stk. ...............................306
Timing..............8 to 10 a.m.

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto..........26/03/16
Valid from...............29/02/16
Stk. ...............................612
Timing...............7 to 11 a.m.
Please submit your Aadhar

**ATHOKPAM INDANE**
Booking upto..........01/04/16
Valid from...............16/03/16
Stk. ..................612 (DBTL)
Timing...............7 to 10 a.m.
Please submit Aadhar

**THOUBAL GAS, SINGJAMEI**
Booking upto..........18/02/16
Valid from...............16/02/16
Stk. ..................306 (DBTL)
Timing...............7 to 10 a.m.
Delivery Point at Kakwa
Submit Aadhar Card

**LEIBAKLEI GAS (KHONGJOM)**
Booking upto..........10/03/16
Valid from...............20/01/16
Stk. ..................306 (DBTL)
Timing..........7.30 to 12 a.m.

**HRANGCHAL GAS (OLD LAMBULANE)**
Booking upto..........02/04/16
Valid from...............02/03/16
Stk. ...............................306
Timing.... 7.30 to 10.30 a.m.
Kindly Submit Aadhar at the time of booking (DBTL consumer only) including Home Delivery

**KHONGNANG GAS AGENCY (BISHNUPUR)**
Booking upto..........09/03/16
Valid from...............07/03/16
Stk. ..................306 (DBTL)
Bk. Sl. No. 2668 to 2934
Timing..........7 to 10.30 a.m.

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto..........30/04/16
Valid from...............26/04/16
Stk. ...............................612
Timing...............7 to 11 a.m.
Submit Aadhar Card

## মণিপুর অমসুং সিঙ্গাপুর ২গী মরক্তা ইন্টরনেসনেল একজিবিসন ফুটবোল মেটচ পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ৩ ঃ বেঙ্গলোরদা বেজ তৌবা ৱাহেংবম ইন্দ্রমনি মেমোরিয়েল ফুটবোল একাদমিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২২ গী নুং–থিল পুং ১ তাবদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা সিঙ্গাপুর এফসি অমদি য়ুনাইটেদ মণিপুর এফসি অনীগী ওইবা ইন্টরনেসনেল একজিবিসন ফুটবোল মেটচ পাঙথোক্কদৌরি। মেটচ অসি মশান্না অসিদা প্রোফেস্নেল ওইবা প্লেয়রশিংনা শানগদৌবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙরাং নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা একাদমি অসিগী দাইরেক্তর ওইনাম বোবেন্দ্রনা হায়, একাদমি অসি ইং ২০১৩ দা শেমখিবনি। হৌখিবা চহী অহুম–মরিগী মমাঙদগী একাদমি অসি মখল মখাগী এক্টিবিটি পাঙথোক্তুনা লাকই।

মণিপুর অসি শান্নবগী লমদা পৱর হাউসনি হায়নরি। লমদমসিদা শক্নাইরবা শান্নরোয় কয়া লৈ। লম অসিদা হেন্না খুমাঙ চাওশিনবা ষ্টেট ওইহন্নবগীদমক মালেমগী থাক্তা লৈবা শান্নবগী সংস্থানশিং অমদি প্লেয়রশিং মফম অসিদা তোইনা লাকহনবা মথৌ তাই অসুম্না তোইনা তৌরবদি স্পোর্টসকী লমদা হেন্না অচৌবা দিপার্টমেন্ট লাক্কনি হায়বগী থাজবা ল। হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিদা ইন্টরনেসনেল একজিবিসন মেটচ অসি পাঙথোকপনি।

মহাক্না হায়, সিঙ্গাপুরদগী লাক্কদৌবা প্লেয়রশিংসি শক্নাইবা প্লেয়র ঙাক্তনি। য়ুনাইটেদ মণিপুর এফসিগী প্লেয়র ১১ গী মনুংদা প্লেয়র মঙাদি কেমেরুন অমদি সাউথ অফ্রিকাদগী লাকপা প্লেয়রনি। লেমহৌরিবা প্লেয়রশিংদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা শক্নাইরবা ফুটবোল ক্লবশিংদগী অফবা মতিক চাবা প্লেয়র খনগনি।

থা অসিগী ২১ দা সিঙ্গাপুরগী টিম ইম্ফালদা থুংলগনি। মদুগী মতুংদা লম্লোংদা লৈবা ট্রাউদা ইন্টরেক্সন সেসন অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি। দ্রগকী মহুত্তা স্পোর্টস ওইনা চুস তৌগদবনি হায়বসি ঙসিগী নহাশিংদা পাউজেল পীনবা হোৎনগনি।

একজিবিসন মেটচ অসি সিঙ্গাপুরদা বেজ তৌবা ২ টচ ইন্টরনেসনেল সিঙ্গাপুরগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদবনি।

## মীওই ৩৬ না ফোর্ম লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩ ঃ লাক্লিবা জুন ২দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোর্পোরেসন ওল্লবা মতুংদা পাঙথোকপা অহানবা মীখল অসিদা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেস পার্টিগী টিকেটতা মীরেপ ওইনবগীদমক মীওই ৩৬না ঙসি ফাওবদা ফোর্ম লৌখ্রে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী অপুনবা ৱার্দ ২৭ অসিদা মীরেপ ওইনা আই এন সিগী টিকেটতা মীরেপ ওইনবগীদমক ফোর্ম লৌখ্রবশিং অসিগী মনুংদগী ঙসি ফাওবদা ফোর্ম অমত্তা পীশিল্লকপা লৈত্রি হায়না পার্টি অসিদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

অমরোমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা আই এন সিনা স্পোন্সর তৌবা টিকেটতা মীরেপ ওইনিংবশিংদা হৌখিবা এপ্রিল ৩০ দগী হৌদুনা ফোর্ম থাবা হৌখিবনি। লোয়ননা লাক্লিবা মে ৭কী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ফোর্ম থাগদৌরিবনি। ফোর্ম পিশিনবগী অরোইবা মতম্না মে ৮গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবনি। নুমিৎ অসিদা কংগ্রেস পার্টিদা মীরেপ ওইনবগীদমক মীওই কয়া টিকেট থারকপগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লগনি।

লমায় ১ গী মখা

## পাউমীশিংগা রেলৱে ওফিসিয়েলশিংগা...

ইন্দিয়াগী অচৌবা মীৎয়েং থল্লিবা এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মনুং চন্না জিরিবাম–তুপুল–ইম্ফাল রেল লম্বী শেম্বা শাবগী থবক পায়খৎলিবা অসিগা মরী লৈননা নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রেলৱেগী ওফিসিয়েলশিং উন্নবগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লক্তবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ওফিসিয়েলশিং অদু উন্নবগী পাউদম পাউ–চেশিংদা ফোঙদোক্লরক্তবু দি আই পি আরনদি ওফিসিয়েল ওইবা প্রেস রিলিজ থাদোকফম থোকপনি।

নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা প্রেস কন্দক্তেদ টুর অদুসু ইরাইদগী হৌরগা নোংমাইজিং নুমিৎ (শিন্নীশিংগী নুমিৎ মে দে নুমিৎ)তা লোইশিনবনি। থাংজ নুমিৎ হায়বসিতবু সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী ওফিস অয়াম্বা ছুটি ওইগল্লি। অদুম ওইদুনসু ষ্টেট গভর্নমেন্টকী য়াম্না মরুওইবা লোইশঙ অমনা মীয়ামগীদমক শিনবা টুর প্রোগ্রাম নিংথিনা শিল্লবদি ওফিসিয়েলশিং অদু উন্নবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মরম অদুনা গভর্নমেন্টকী অচৌবা শেনফম অমা কায়থোক্তুনা চৎলিবা প্রেস কন্দক্তেদ টুর অদু ঈ–পাউগী লমদা থোইনা খঙদবদা নত্তনা অশিন–অরাং হৈবা ৱাৎপগী অচৌবা মমি অমা তারি।

দি আই পি আরনা শিন্দুনা চৎখিবা প্রেস কন্দক্তেদ টুর অদুদগী থোক্লক্লিবা অচৌবা ৱাহং অমদি ঈ–পাউ লৌথোক–লৌশিন তৌদুনা মীয়ামগী মীৎ–নাকোং ওইহনবা ঙম্বা মীওই অমত্তা দাইরেক্টোরেট অসিদা লৈতৱা হায়বসিনি। পনবা য়াবদি দাইরেক্টোরেট অসি মেজর দিপার্টমেন্ট ওইনা ওনখৎনবা মণিপুরদা লৈরিবা পাউমীশিংগী অচৌবা বোডি অমা ওইরিবা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না মতম কয়াগী মমাংদগী তকশিন্দুনা লাক্লিবনি। মমাং চহীদা দাইরেক্টোরেট অসিমক্কী হাংদুনা লৈবা ফমশিং মেনশিন্নবা চেথোকখিবা লৈরিবনি।

হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং অদু মেনশিন্নবা কেন্দিদেট কয়ানা চে–চাং থাজিন্দুনা একজাম অমসুং ইন্টরভিয়ু পীগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবনি।

অমরোমদা দি আই পি আর অসিগী অহাংবা ফমশিং মেনশিন্নবা থোকখিবা ইলিজিব্লিটি ক্রাইটেরিয়াশিংনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া অমদি চে–চাং থাজিনবা য়াদনা লৈনরিবনি। পুন্নমক অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মরুওইবা গভর্নমেন্টকী লোইশঙ ওইরিবা দি আই পি আর অসি মপুং ফাবা দাইরেক্টোরেট অমা ওইহন্নিংবগী অপান্বসু পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরক্লি।




৬৩ শুবা নেসনেল ফিল্ম এৱার্দকী ফঙ্কসনদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুর্খজিনা 'ওটো দ্রাইভর' গী প্রদ্যুসর মিস লোংজম মিনা দেবীদা বেষ্ট ফিল্ম ওন সোসিয়েল ইস্যুস ইন নন ফিচর ফিল্ম সেক্সনগী রাজট কমল এৱার্দ খুৎশিন্নখিবা

# নুপীশিংগী থাক ৱাংখৎলবতদা অফবা খুন্নাই শেমগৎপা ঙমগনি ঃ মেঘচন্দ্র

এস এন এস
থৌবাল, মে ৩ ঃ নুপীশিংগী মহৈ মশীং, শেন্মীৎলোননচিংবা হিরম কয়াদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা থাক ৱাংখৎলবতদা খুন্নাই অসি মপুং ফানা শেমগৎপা অমদি চাওখৎপা ঙমগনি হায়না মণিপুর সরকারগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরী অমসুং ৱাংখেম কেন্দ্রগী এমএলএ কৈশাম মেঘচন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাংখেম ব্লোক মহিলা কংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙরাং য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টকা মরী লৈনবা খন্ন–নৈনবা থৌরম অমা হৌদোক্লদুনা পার্লিয়ামেন্ট সেক্রেটরী মেঘচন্দ্রনা মখা তানা হায়, খুন্নাই অসিদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। হিরম খুদিংদা মখোয়বু শরুক য়াহনবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই। মহৈ মশীংগী লমদা হেন্না মশক থোকপা খুদোংচাবশিং ফংহনগদবনি। মরু ওইনা লমদম অসিদা মীপাল তাংদনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবদা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈবনা নুপীশিংসু লম অসিদা হেন্না জ্ঞান তাহন্নবা হোৎনবগী তঙাই ফদবসু লৈ।

লাইহরিক লাইশু হৈরবা নুপাশিংসু সরকারগী থবক ঙাক্তা থীদুনা ঙাইদুনা লৈবগী মহুত্তা শু নোম্বগী হৈনবী লৈনবা হোৎনফম থোকই। সরকারনা মীপুম খুদিংমক থবক পীবদি ঙম্লোই। চাওখৎলবা মপাল লৈবাকশিংনা মখোয়গী শেন্মীৎলোন করম্না ফগৎহল্লি হায়বদুসু নৈনবা দরকার ওই হায়নসু কে মেঘচন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাংখেম কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৮ গী মহিলা কংগ্রেস কম্মিটি খুদিংমক্তা সরকারগী মরী লৈনবা লোইশঙগা খুৎশম্নদুনা শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লগা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না পীখি।

মাইক্রো ফাইনান্স, ব্লোক লেভেল, হেন্দলুম ক্লষ্টর, সেরিকলচর অমসুং লাইফ ষ্টোক রিয়ারিং হায়বনচিংবা হিরম কয়াদা খন্ন–নৈনখিবা থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল থল্লদুনা লোয়ালম ফাউন্দেসন, মণিপুরগী সেক্রেটরী জেনরেল কৈশাম ওংবী রোবিতানা হায়, নুপীশিংনা থবক থৌদা কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মরম অদুনা নুপীশিংগী তুংগী য়াইফনবা য়েংলগা ইমুং মনুংগী অৱাৎপা কয়া মেনখৎপা ঙম্নবা অমদি শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা অমসুং পূন্না জ্ঞান তামিন্নবা হায়বা মীৎয়েংদা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

ৱাংখেম ব্লোক মহিলা কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে কুঞ্জমনি দেবী, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন লাইশ্রম হরিপিয়ারি দেবী, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস চিয়ারপার্সন কেঐচ থম্বাল সিংহ, চরাংপাৎ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এল অনিতা লৈমা, ৱাংখেম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এল সুনিল সিংহ, লৈরোংথেল–নিঙেল জিপিগী প্রধান সলামকুমার সিংহ, ৱাংখেম ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মুবারক আলি অমদি য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর কয়ানসু ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

দিআইসি থৌবালগী জেনরেল মেনেজর রোহেনকুমার সিংহনা দিআইসিনা পায়খৎলিবা স্কিম কয়াগী মতাংদা, সেরি কলচর হায়বসিদা এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর ঐচ সচিখট শর্ম্মনা, মাইক্রো ফাইনান্স হায়বা হিরমদা ক্রিদিট থৌবালগী ফঙ্কসনেল মেনেজর দল্লিয়ু স্রীধন্বী সিংহ, ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনরি ওফিসার ডা. হেলিম অমসুং হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট মেনেজর (হেন্দলুম) সিঐচ তোম্বী দেবীনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংদুনা মীয়ামগা লোয়ননা নৈনখি হায়রি।

# ইন্দিয়ন নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেসকী ৬৯ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

এস এন এস
ইম্ফাল, মে ৩ ঃ ইন্দিয়ান নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস (আইএনটিয়ুসি) গী ৬৯ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী দিপুটি স্পিকর এমকে প্রেসো শিমরেনা হায়, খুন্নাই অমদা শিন্নী লৈতবা য়ারোই। শিন্নী লৈত্রবদি লৈঙাক চলাইবা ওইথোক্তে। শিন্নীগী মপালদগী ঐখোয় হিংবা ঙল্লিবনি। মালেমদা চাওখৎলিবা লৈবাকশিংসি থবক শুবা নোম্বদগীনি। থবক শুরিবা মীওইবু শিন্নীনি হায়না লৌবদা অরানবা ওইরোই। অদুগা মী ওইনা পোক্লবদি থবক শুবা হায়বসি শোইদ্রবনি।

মহাক্না হায়, শিন্নীগী থৌদাং অসি য়াম্না চাওই মণিপুর সরকারনা শিন্নীগী করম করম্বা অফবা স্কিম লৌখৎপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা খন্নরি। শিন্নী কাঙলূপপু সরকারনা লুম্না লৌই। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা ৱার্ক চার্জ, এদহোক, মাষ্টরোলশিংগী অৱাবা সরকারনা খঙই। মখোয়গীদমক করি তৌবা য়াবগে হায়বগী মতাংদসু ও ইবোবীনা লুচিংবা গভর্নমেন্টনা খন্নরি। মসিদসু নত্তনা অন ওর্গনাইজ সেক্টরশিংদা থবক শুরি নোল্লিবা মীওইগীদমক্তসু করি করি য়াইফ থৌরাং লৌখৎপা য়াগদগে য়েংলি।

ইন্দিয়ান নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস (আইএনটিয়ুসি) অসি ইনিদয়াগী ওইনা লৈবা লেবরশিংগী য়ুনিয়ননি। য়ুনিয়ন অসি কংগ্রেস পার্টিগা য়াম্না নকশিন্নে। লৈবাক অমা শেমগৎ–শাগৎপদা পোলিটিকেল পার্টি য়াওদবা য়াদে। আইএনটিয়ুসি অসি কংগ্রেসকা চৎমিন্নবা য়ুনিয়ন অমা ওইবনা পার্টি অসিনা নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেসকী ৱাবু লুম্না লৌই। আইএনটিয়ুসিদা শিন্নী ৩.৪৪ ক্রোরগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরে। আইএনটিয়ুসিগী মণিপুর ব্রাঞ্চ অসি হেন্না চাওখৎহনসি। শিন্নীশিংগী য়াইফ–থৌরাংগী লম্বী য়াৎপদা ব্রাঞ্চ অসিনা থৌদাং লৌহনসি। লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা শিন্নীশিংসি য়ুনিয়ন অসিদা রেজিষ্টার তৌহনসি।

শিন্নীগী শক্তি কল্লবদি শিন্নীগী মায়োক্তা লাকপা খুদোংথীবা থেংনবদা পাঙ্গল থোক্কনি। মসিদসু নত্তনা শিন্নীগী শক্তিনা সোসিয়েল সেক্যুরিটি ঙাকপা ঙম্মী। শিন্নী কাঙলূপনা পোৎকী মমল হেনগৎপা থিংবা ঙম্মী, লৈঙাক্কী মথক্তা য়ানিংদবা লৈরবসু ফোঙদোকপা ঙম্মী। সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংদা থবক শুরিবা মীওইশিংসি শিন্নীনি পাঙ্গলনা থবক শুবা মীওই খক্তনা শিন্নী নত্তে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মীপুম খুদিংমক্তা চিঙ্গাক ফংহন্নবা পান্দমদা ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট চৎনবা হৌখ্রে। এক্ট অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা কান্নবা শোইদনা পীরগনি। অদুবু গভর্নমেন্টনা লোঞ্চ তৌখ্রবা এক্ট অসি মপুং ফানা প্রজাদা কান্নবা ফংহনবদদি কর্ন্সন দিপার্টমেন্ট অমদি লৈকায়দা লৈরিবা ফ্যের প্রাইজ শোপশিংনা পুকচেল শেংনা মথৌ তাবা তাই। মখোয়না মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্রবদি প্রজাদা মপুং ফানা কান্নবা ফংলোই। ইন্দিয়া হায়বসি লাইরবা প্রজানা নম্না খুন্দাবা লৈবাকনি। প্রজাশিংদা চিঙ্গাক মতিক চানা ফংহন্নবা এক্ট অসি ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসনা হোৎনবদগী ওইরকপনি। পুক হাংদুনা লৈরিবা মীওই অমনা থবক শুনিংবা ফাওদে। থবক শুদ্রবদি চাওখৎতে, শেন্থোক লৈত্রবদি ৱানা হিংই। ফুদ সেক্যুরিটি এক্টনা পীরিবা পান্দমদি মান্নবা খুন্নাই শাগৎপনি। শিন্নীশিংগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপদা হেন্না মঙম শান্নবা লেবর লো ইমপ্লিমেন্ট তৌবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এমকে প্রেসো শিমরেনা শিন্নী কয়াদসু চেঙ কেজি ৫–৫ সু য়েন্থোকখি।

ইন্দিয়ান নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুর ব্রাঞ্চকী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট এলাংবম দোলেন্দ্রানা থৌরম মপু ওইখি।

লমায় ১ গী মখা

## জিরিবামদা বন্দগী মীংদা দ্রাইভর ফুরম্লে, ৱাথোক...

মোহোন্না থৌবা গাড়ী অদুনা ৱাহেংবম লৈকাইগী জিরি পার্কিংদা হেক খাম্বগা এক্তিভা তোংদুনা লাকপা মশক খঙদবা মীওই অনিনা বন্দ নুমিৎসিদা করিগী গাড়ী চংলক্লিবনো হায়না হংবগা লোয়ননা মীওই অনি অদুগী মনুংদগী অমনা গাড়ীগী ছোশিং শত্তোকখি। লোয়ননা নোংমংবগী মমশিলকপা তাঞ্জা অদুদা মখোয়না পুরকপা তোর্চ লাইট মানবা পোৎশক অমনা মোহোন্দা শুথরকপদগী মহাক পীশুমদা শোকখিবনি। লোয়ননা মীওইশিং অদুনা গাড়ীগী ৱিন্দ সিল্ড থুগায়রমখিবনি।

মীওই অনি অদুনা তুংদা লাকপা অল্লউদ্দিন অমসুং অঙৌসনগী গাড়ীশিংসু ছো মুনবগা লোয়ননা ফুরমখিবনি। মখোয়না গাড়ীশিং অদুগী ছোশিং অদু পুরগা খ্বাইরম্বন্দ বজারলোমদা গাড়ী থৌরগা নাম্থোকখি।

থৌওং অদুবু ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভর্স এন্দ মোটোর ৱার্কর্স য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়নিংদবা ফোঙদোক্লি। পাউগী মীফম অদুদা য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম অনিলনা হায়, বন্দসু লৈতবা নুমিত্তা বন্দ লৈ হায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা জিরিবাম ইম্ফাল সর্ভিস তৌরিবা ক্রুইজর দ্রাইভর অহুম্বু মশক খঙদবা মীওই খরনা তমথিনা ফুরম্বা অমসুং গাড়ী অমাং অতা থোকহল্লম্বা অসি পেন্দ। থৌওং অদু কনানা করিগীদমক্তা চথরম্বনো হায়বদু অথুবা মতমগী মনুংদা শেঙদোকপীরক্লবা আপীল তৌখি। দ্রাইভরশিংবু তাথি তাওইনা তৌবা অসি লাইবক থিবনি। মরাল লৈবশিং অদু গভর্নমেন্টনা অথুবা মতমদা ফারগী চৈরাক পীগদবনি হায়খি।

ঙরাংগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসিদগী ইম্ফাল জিরিবাম সর্ভিস তৌরিবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং চেনবা লেপখ্রে। লোয়ননা হয়েং ফাওবা গাড়ী চৎলোই। মসিগী মখা তারকপদা খোঙজং মখা তানা খন্নরগা লেপকনি হায়খি।

## রাম মাধব ইম্ফালদা লাক্তুনা বিজেপি...

ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিতিগী কনভেনর ওইনা হাপ্লকখ্রবা টিঐচ চাউবা য়াওনা এম এল এশিং, জেনরেল সেক্রেটরিশীং, দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিং য়াওনা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মীফম অসিদা পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কনবা পার্টি অমা ওইহন্নবা অমসুং লাক্কদৌরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখল অমসুং লাক্লিবা বিধান সভাগী মীখল অসিদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্লবা লাল্লোংশিং খন্নগনি হায়খি।

ঙরাং পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট লাওথোক্কদৌরে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা বি জে পিগী ওফিসতা অহেনবা সেক্যুরিতিগী মীওইশিং লাক্তুনা ওফিস ঙাক শেনখিবা অদু অঙকপা ফাওই। পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট শিনবদা পার্টি মনুংদা ইরাং থোক্কদবা লৈতে হায়খি। বি জে পি অসি দিসিপ্লিন লৈবা পার্টিনি। পার্টিনা ওফিস ঙাকপী শেনবীনবা হায়জখিবসু লৈতে হায়খি।

অমরোমদা প্রেসনা ফংবা পাউদা হয়েং বি জে পিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্লকখ্রবা কেএসঐচ ভাবানন্দ প্রসিদেন্টকী চার্জ লৌরবা য়াই হায়রি।

## মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওদা লৈখ্রিদ্রবা মণিপুরীশিংগী নিংশিং খুভম...

কসোমীনা হায়, মহাক্না মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওদা লৈখিদ্রবা তাঙ্খুল জাতিগী মীওইশিংগী মরমদা থিজিনখ্রে।
মখা তারকপদা মাউ জাতিগী ওইনা থিজিল্লি। মহাক্না তৌবিরা থবক অদুবু শকখঙবীদুনা মহাকসু কম্মিতি অসিদা য়াওবা ফংবা অসি নুঙাইবা ফাওই। মরম অসিনা চহি ১০০ শুরকপগী পালন থৌরম অসি পাঙথোকপদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীনবা মহাক্না আপীল তৌখি।